LAST DAY 7TH MAY
MINERAL WATER AQUAGUARD FREE
24" LED FULL HD
190LT REFRIGERATOR ₹30999/- DVD SAMSUNG FREE
7.2KG WASHER (H11)
190LT REFRIGERATOR
24" LED FULL HD ₹29999/- TATA SKY FREE
7.2KG WASHER (H13)
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL
JOLLY KAKCHING, PS NAMBOL, THOUBAL VIP

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

AQUAGUARD
MINERAL WATER FREE
SAMSUNG 40" LED
FREE SAMSUNG MICRO WAVE ₹ 6100/-
SAMSUNG 40" LED
₹ 39999/-
ALSO AVAILABLE
SAMSUNG 32" LED
₹ 23999/-
FREE SAMSUNG MICRO WAVE
₹ 6100/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, KHOYATHONG RD., ANAND HOTEL



*জে সি আই এল পি এসকী ষ্টুদেন্টস ব্রিংগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা খাঙবোক এরিদা লৈবা মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা চংশিনখিবা খোঙজং*

*প্রসান্ত মীশিগা মরী লৈননা কৌখিবা পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ শৌগৎতুনা খোঙমন মংজিলদা মৈরা পায়বী লুপকী মেম্বরশিংনা লম্বী থীংখিবা*



ভূমিগী অঙৌং-অশাং: শাবগী চাং ঃ ২৮° সি, ঈংবগী চাং ঃ ১০° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৫৪ | নোংজ্রুগী চাং : ৮ এম এম
IMPHAL, FRIDAY, 6 MAY 2016
ইরাই, শজিবুগী থাশি
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 157 Page : 8 | Price: ₹3.60

## ব্রাখলগী চিঙ্গাক

ঙরাং হায়বসি ঙসিগী ওঝানি

## অহানবা কাখল

### সনালৈবাক্কী দিষ্ট্রিব্যুসন এক্সিক্যুটিব পামজৈ

সনালৈবাক পাউ–চে অসিবু পাবীরিবশিংদা চহী চুপ্পা পাউ–চে অসি য়েঙ্হোকপীনবা ডিষ্ট্রিব্যুসন এক্সিক্যুটিব (ডি ই) খরা পামজৈ।

পীজগদবা তলব অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক সনালৈবাক ওফিস্তগী খঙবীবা য়াগনি।

*সার্কুলেসন মেনেজর*
*সনালৈবাক*

## লোইরেদনা




# পুং ৪২ পব্লিক কার্ফ্যু মায় পাক্নবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা শেম শাবা লোইরেঃ *নন্দবাবু*

এস এন এস

নিউ দিল্লি, মে ৫ ঃজোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্তেম ইন মণিপুরনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ৭কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কৌখিবা মণিপুর পুম্বগী পব্লিক কর্ফিয়ু মায় পাক্নবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা শেম শাবা লোইরে হায়না ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভেন্নর ওইনাম নন্দবাবুনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল জে সি আই এল পি এসকী সেগা রোদতা লৈবা ওফিস্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ষ্টুদেন্ট ৱিংগী কনভেন্নর ওইনাম নন্দবাবু শেম–শাবা লোইরে হায়বা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ৭কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কৌরিবা পব্লিক কর্ফিয়ু অসিদা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা কম্মিটিগী কনভেন্নরশিংনা অকনবা মওং দা কর্ফিয়্যু অসি পাঙথোক্লনবা হোৎনগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কনভেন্নর ওইনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী সুরেস, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্নর ওইনা এমসুগী কেনেদি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্নর ওইনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন(কে এস এ)গী সুরজ অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্নর ওইনা এম এস এফকী অমর খোইরাকপম্না কৌরিবা পুং ৪২ পব্লিক কর্ফিয়ু অসি মায় পাক্লনবা জে সি আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী কনভেন্নর ওইনা খনখ্রে।

নন্দবাবুনা মখা ফোঙদোকখিবদা কৌরিবা পুং ৪২গী পব্লিক কর্ফিয়্যু অসিদা ষ্টুদেন্টস ৱিংনা মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কনভেন্নরশিংগা লোয়ননা চপ চানা পাঙথোক্লগনি। মমাংদা জে সি আই এল পি এসনা লাউথোকখিবা মণিপুর সরকারগী এসেমব্লিনা পাস তৌবদা য়াওখিবা বিল মণিপুর পোপুলেসন কম্মিসন লিংঙু, লেন্দ রিফোর্মেসন থমগদবনি অমদি ফোরেন্নরশিং চং লকপদা অথীংবা থম্মু হায়বা ৱাফম অদু মণিপুর সরকারনা পাস তৌখিবা আই এল পিগী বিল অদুগী মথক্তা চহী অমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীখ্রবনি।

মমাং চহী আগষ্ট ২৫দা সরকারগা জে সি আই এল পিগা য়ান্নখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোক্তনা লাক্লিবা অসি সরকার অসিনা লমদম অসিদা য়েলহৌমীশিং মুখনবগী অচৌবা খোঙথাং অমা চত্থরে হায়বা তাকপনি।

মখা লমায় ৬ দা

# আই এল পিগী বিল শিনা পোকপা অঙাংগা মান্নরে মপান লমদা বেজ তৌবা পার্টিদা থাজনিঙাই লৈতেঃ *এম পি পি*

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৫ ঃ মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশীং কন্নবগীদমক হাউসনা পাস তৌখিবা বিল অহুম অদু শিরগা পোক্লকপা অঙাংগা মান্নরে। মপান লমদা বেজ তৌবা পোলিতিকেল পার্টিশিংদা এম পি পিনা থাজবা থমদে হায়না এম পি পিগী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এম পি পিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা সোভাকিরননা হায়, জে সি আই এল পি এসকী মায়কৈদগী লাক্লিবা মে ৮ ফাওবগী মনুংদা লমদম অসিদা লৈরিবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী ওইবা অকক্লবা ৱাফম থম্বীয়ু হায়না ফোঙদোকপীরকপা লৈ।

এম পি পিনা ইং ১৯৬৮গী দিসেম্বর ২৬দা লিংখৎখিবা মতমদা মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল বাউন্দরি ঙাকপা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমা ওইনা য়াওরবনি।

মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবগী ৱাফমসু ইং ২০১২গী এসেমব্লি মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হাপ্তুনা লৈখ্রবনি। এজেন্দ অসিদা পার্টিনা কমপ্রোমাইজ তৌখিবা নত্রগা য়াশিন্নবা হোৎবা লৈতে, তৌসু তৌরোই। আই এল পিগা মরি লৈনবা ৱাফমদা জেসিআইএলপিনা লৌরকপা খোঙথাং খুদিংমক্তা এম পি পিনা শৌগৎকনি হায়খি।

ঙসি অহিং নোংয়াইদগী কৌরিবা পুং ৪২গী পব্লিক কর্ফিয়ু অসিদা এম পি পিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি। মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অহুম ইং ২০১৫গী আগষ্ট থাদা এসেমব্লিনা পাস তৌখি।

দি প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল,২০১৫ চীফ মিনিষ্টরনা মুভ তৌখি, দি মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ লেন্দ রিফোর্মস ( সেভেন্ট এমেন্দমেন্ট)বিল, মখা লমায় ৬ দা

# সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা ষ্টেটশিংগী এন ই ই টি পাঙথোকপা য়ানহনশিরা হংখ্রে

এস এন এস

নিউ দিল্লি, মে ৫ ঃহৌখিবা মে তাং ১ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এন ই ই টিগী চাংয়েং পরিক্ষা অমা লৈবাক অসিগী থাক্তা ইলিজিবিলিটি টেষ্ট পাঙথোকখিবা অদুদা মহৈরোই লাক্ষ ৬.৫ শরুক য়াখি অমসুং মথংগী টেষ্টনা জুলাই ২৪ দা পাঙথোক্লবা সেদ্যুল পীখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা মেডিকেল অমসুং ডেন্টেল কোর্সশিং দা চহীসিগী ওইনা মীং চন্নবগীদমক ষ্টেটশিংনা মখোয়গী ওইবা টেষ্টশিং পাঙথোকখিবা অদু সেন্টরনা য়ারব্রা হায়না হংখ্রে হায়রি।

মসিগী মথক্তা মে তাং ১ দা পাঙথোকখিবা টেষ্ট একজামিনেসন অদুদা য়াওখিবা মহৈরোইশিং অদু অমুক হন্না চহী অসিগী জুলাই ২৪ দা পাঙথোক্কদবা টেষ্ট অদুদা শরুক য়াহনবা য়াগদৌরিব্রা হায়না সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা হংখ্রে। গুজরাঠ, মহারাষ্ট্র, টেলঙ্গনা অমসুং অন্ধ্রপ্রদেশ য়াওনা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা এন ই ই টিগী টেষ্ট অসি দিফর তৌনবা কোর্টতা অপীল তৌরকখ্রে। ষ্টেটশিং অদুনা মখা লমায় ৬ দা

# ইমামুদ্দিন হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবীয়ু, অঞ্জুমান থিংলগনি ঃ *জেএসি*

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৫ঃ থা অসিগী ৩০ দা অঞ্জুমান লিল্লোংনা ফাদুনা পুখ্রগা মখোয়গী কষ্টদিদা তমথীনা ফুবদগী শিখিবনি হায়বা লৈখিদ্রবা এমদি ইমামুদ্দিন (৩৫) অপোকপা হজি রিয়াজুদ্দিন লৈফম লিল্লোং হৈনৌ মখোঙগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জেএসিনা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওইশিং হয়েং ফাওবগী মনুংদা ফাবীনবা সরকারগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জেএসি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এমদি ইমামুদ্দিনগী কনভেনর কেঐচ রিয়াক অলিনা হায়, অঞ্জুমাননা ফুবদগী শিরবা মতুংদা ইমামুদ্দিন দলান মথক্তগী কুমথরকপদা তুশিন্নবদগী শিবনি হায়বা ৱাফম অসি শেমজিন শাজিনবনি। মসিগী মথক্তা তমথীনা ফুবদগী লৈখিদ্রবা মতুংদা সনা হুরানবগী মরাল শীজিন্নবা হোৎনবসি লাইবক থীবনি। ইমামুদ্দিন টাটা দ্রাইভর ওইরম্মী, মখা লমায় ৬ দা

# বোম থমজিল্লম্রে, য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল,মে ৫ ঃ শকখঙদবশিংনা মীওই অমগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্রে। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোক অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা ডোক্তর নোংমাইথেম জয়েন্তা কৌবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সি এম ওগী মমিং ইবা চে অমনা য়োম্বা চাইনিস হেন্দ গ্রেনেদ অমা মহাক্কী থংননা লৈবা অখাম নিল্লমনি কৌবা মীওই অমগী গেৎতা থল্লমখিবনি হায়রি।

বোম থমজিল্লম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্কী অকোয়বগী মৈরা পায়বীশিংনা মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা লাইনিং থৌ খপলাংবগী কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরী ইবেচাওবীনা পাউমীশিংদা হায়, মী কুংনা তাবা য়ুমলক্তা বোম থমজিনবা অসি য়ানিংদে। মসিনা পোখায়রম্বা তারবদি মীশি মীনা কয়া থোক্লম্বা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুকহন্না তৌবিগনু।

বোম থমজিল্লম্বা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌবাল চিফ মেদিকেল ওফিসকী ষ্টাফশিং অমদি ডোক্তর জয়েন্তা মশামকসু শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম অমা চত্থখি হায়রি।

## ‘ঐখোয় খুঙ্গং খুদিংমক্তা ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্নবগী থবক অসি ঙসিদগী -হৌজিক্তগী হৌরোইদ্রা?’

### লৈবাক মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পীখিবা ‘মনকী বাট’

হিরমসিদা শরুক য়ানবগীদমক চোংথোরকখিবা ইরৈবাকচাশিং, এন জি ও শিং, য়ুথ ওর্গনাইজেসনশিং, লৌমী কাঙলুপশিং, পঞ্চায়ট অমসুং অর্বান লোকেল বোডিশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লি
ঙসিদগী চয়োল ৪–৬ ফাওবগী মনুংদা পুন্না ঈশিং তুংশিন্দুনা
থম্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা ঈকং থোকপদগী কন্নবা হোৎনবা মথৌ তারে
মতেং পোনসি-পুন্না পায়খৎমোন্নসি- ঈশিং তুংশিন্দুনা থমসি



নোংজুথা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মখাগী থৌরাংশিং অসি অদোমগী লৈরিবা মফমশিংদা পায়খৎপীয়ু
- হান্না লৈরম্বা ঈশিং তুংফমশিং শেমগৎপা অমসুং নৌনা পুখ্রি তৌবা / তেঙ্কিশিং শেমগৎপা
- লৈমায় মনুংদা চেল্লিবা ঈচেল অমুক হন্না ফগৎনবা থবক পায়খৎপা
- নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্নবা মফমশিং শেমগৎপা
- ঈথৈ–ঈখোংশিংগী লৈরিবা মফমশিং অদু হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎপা
- দামশিং শাগৎপা
- ঊমং শেমগৎনবা / থাবা য়াবা পাম্বীশিং থানবা লৈঙাক্লা থৌশিল অমা য়াৎপা হায়বা অসিনি।

মথক্তা পনখ্রিবা এক্টীভিটীশিং গভর্নমেন্ট স্কিমশিংগা মরী লৈনহনগদবনি

- প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চাই য়োজনা
  – ৱাটরসেদ দিভলপমেন্ট
  – লৌফম খুদিংদা ঈশিং পীবা হায়বনচিংবশিং অসি য়াওরি।
- হান্না লৈরম্বদু শেমজিনবা, হান্নগী ফিভম তাহন্নবা শেমগৎ–শাগৎনবা রিনোভেসন স্কিমশিং পায়খৎপা
- নেসনেল রুরেল ড্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম পায়খৎপা
- মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্টি স্কিম
- নেসনেল রুরেল লাইবলিহুদস মিসন

সত্যমেব জযতে

মিনিষ্ট্রি ওফ ড্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন
মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়ার
মিনিষ্ট্রি ওফ ৱাটর রিছোর্স, রিভর দিভলমেন্ট এন্দ গঙ্গা রিজোভিনেসন
মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলমেন্ট

davp 35301/13/0002/1617

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501